# এপ্রিল ১৪গী মতুং কোভিদ–১৯গী ৱারেপ মীয়াম্না শোয়দনমক ঙাক্কদবনিঃ ভেনকয়া নাইদু



*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল, ০৭(এজেন্সি)ঃ*
টেলঙ্গনা, উত্তর প্রদেশ অমসুং অসামগুম্বা ষ্টেটশিংদগী লোকদাউনগী অথিংবশিং মতম শাংদোকহন্নবা আপিলশিং তৌরকখিবগী মরক্তা, করিগুম্বা এপ্রিল ১৪গী মতুং ফাওবদা লোকদাউন অসি মখা চত্থরবা ফাওবদা কোরোনাভাইরসকী মতাংদা লৌরকপা ৱারেপ অদু অমা ওইরবসু, অমা ওইরবসু শোয়দনমক মীয়াম্না ঙাক্কদবনি হায়না ঙসি ভাইস প্রসিদেন্ট এম ভেনকয়া নাইদুনা ফোঙদোকখ্রে।

ঐখোয়না অৱাবা অসি হেন্না ফবা হয়েং অমগীদমক খজিক্তুংগা শাংনা খাংখিসি হায়না ভাইস প্রসিদেন্টনা ঙসি থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।

মার্চ ২৫দগী চৎনরকখিবা নুমিৎ ২১নিগী লৈবাক শিনবা–থুংবা লোকদাউনগী চয়োল ২গী লোইগদবা কুইশিল্লক্তুবা মতমদা ৱাফম অসি ভাইস প্রসিদেন্ট ভেনকয়া নাইদুনা ফোঙদোক্লকখিবনি।

মহাক্না হায়খি, লোকদাউন অদুদগী তোকপগী মতাংদা ৱারেপ লৌবদা মথঙগী চয়োল অসি অরুবা অমা ওইগদৌরি। তোকপগী লাল্লোং অদুগী মতাংদা কোভিদ–১৯ লাইচৎ শন্দোক্লকপগী পাকচাওবা অমসুং চাংচৎকী দাটা অদু মরুওই।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং চীফ মিনিষ্টরশিংগা লোকদাউন অদু তোকপগী মতাংদা খন্নখিবশিং অদু পল্লদুনা মিষ্টর নাইদুনা করিগুম্বা অৱাবা অদু এপ্রিল ১৪গী মতুং ফাওবদা মখা চত্থরকপা তারবসু মসিগী মতাংদা লৌরকপা ৱারেপ অমা হেক্তংবু হৌজিক ফাওবদা উৎখ্রিবা চপ মান্নবা থৌনা ইহুল অদুগা লোয়ননা মীয়াম্না শোয়দনমক ইনবীগদবনি।

ইন্দিয়াদা কোভিদ–১৯গী লাইচৎ নাবগী মশীং হেনগৎলকখিবদগী লোকদাউনগী মতম শাংদোকহনগদ্রা হায়বগী মতাংদা খন্নখিবশিং অদুগা মরি লৈননা ভাইস প্রসিদেন্টকী ৱারোল অসি ফোঙদোক্লকখিবনি।

ঙরাং কেবিনেট মীফম অমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মিনিষ্টরশিংদা লোকদাউনগী মতুংদা তৌগদবা থৌরাং অমা পুখৎলক্লবা খঙহনখি। মদুদা মচেৎ ওইনা হান্নগী ফিভমদা হঞ্জিলহল্লকপা অমসুং সটদাউন অদু তপ্না তপ্না হন্দোকপগী মতাংদা ফোঙদোক্নরকখি।

মীয়ামগী হকশেলগী ৱাফমশিং অমসুং ঐখোয়গী ইকোনোমিক লৈতাহন্নবগী, অনী অসিগী মরক্তা দিবেট তৌনখি। অহানবগী অসিনা অকোনবগী অসিদগী হেন্না মরু ওইখি। ঐগী মীৎয়েংদা ইকোনোমিগী নুংনাংবশিং অদুদি অতোপ্পা নুমিৎ অমা ফাওবা ঙাইবা য়াই, হকশেলগীদি মদু নৎতে হায়না ভাইস প্রসিদেন্টনা হায়খি।

দিল্লিগী মরকাজ নিজামউদ্দিনদা টাব্লিঘি জামাত থৌরমগী মতাংদা ৱা ঙাংবদা ভাইস প্রসিদেন্টনা মদু তৌরমদবা য়াদবা অমনি অমসুং অতৈ পূন্নমক্কীদমক মিৎ পাংহনবা অমনি হায়খি।

# প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা করি তৌবা য়াবগে হংখিবদা সোনিয়া গান্ধীনা ইরকপা চিঠিদা ৱাফম ৫ থারকখ্রে





*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল, ০৭(এজেন্সি)ঃ*
দিল্লিগী ময়োলদা লুপা ক্রোর ২০,০০০গী ব্যুটিফিকেসন প্রোজেক্ট ককথৎলু, ওফিসিয়েল ফোরেন টুরশিং তোকউ অমসুং গভর্ণমেন্ট এদশিং লেপ্পু হায়না কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধীনা ঙসি কোরোনাভাইরসকী মায়োক্তা থেংনবদা ওপোজিসনদা খন্নরকখিবা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিদা পাউখুম পীরকখ্রে।

এম পি শিংগী তলবকী চাদা ৩০ কক্লবা কেবিনেটকী ৱারেপ অদুগী নোংমগী মতুংদা চিঠি অদু লাকখিবনি। ৱারেপ অদু শৌগৎপা ফোঙদোক্লদুনা সোনিয়া গান্ধীনা মহাক্না অকক্লবা সজেসন ৫ হায়বদু পুথোক্লকখি। মদুগী অয়াম্বা অদু গভর্ণমেন্টনা মসিগী মশাগী এক্সপেন্দিচর ককথনবগী রিমাইন্দর অমা ওইনা তৌই।

মহাক্না গভর্ণমেন্টতা লুপা ক্রোর ২০,০০০গী সেন্ট্রেল বিষ্টা প্রোজেক্ট তোক্লবা আপিল তৌরকখি। অসিগুম্বা মতম অমদা অসিগুম্বা শেনফম অমা থাদবা হায়বসি শেংনা হায়রবদা ইশা মতোমতা লাঞ্জবগুম্বনি। ঐনা খনবদা লৈরিবা হিষ্টোরিকেল বিল্ডিংশিং অসিগী মনুংদা পার্লিয়ামেন্টনা নুংঙাইনা থবক তৌবা য়াগনি হায়না সোনিয়া গান্ধীনা ইরকখি।

ফ্রন্টলাইন কোভিদ–১৯ ৱার্করশিংবু হেন্না ফবা ইক্যুপমেন্ট পীবগী মথক্তা শেনফম অদুনা অনৌবা হোস্পিটাল ইনফ্রাষ্টকচর অমসুং দাইগ্নোষ্টিক্স শাবদা শিজিন্নবনা হেন্না ফৈ হায়না মহাক্না হায়খি।

তলব ককথবগী মতাংদা হায়রমগদবা মানবা অমদা কোংগ্রেস চীফ অদুনা গভর্ণমেন্টতা গভর্ণমেন্টনা মাগী এক্সপেন্দিচর চাদা ৩০ চাং চানা হন্থহন্নবা অমসুং মাইগ্রেন্ট ৱার্করশিং অমসুং অনওর্গনাইজ সেক্টরদা লৈরিবা অতৈশিংদা মতেং পাংনবা ফন্দশিং অদু শিজিন্ননবা গভর্ণমেন্টতা আপিল তৌখি।

ফোরেন ভিজিট পূন্নমক তোকহন্দুনা থন্নবা মহাক্না হায়খি। শেনফম (সুপ্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং য়ুনিয়ন কেবিনেটকী হৌখিবা চহী ৫গী খোঙচৎকীদমক লুপা ক্রোর ৩৯৩ (রোম) অদু কোভিদ–১৯ থেংননবগী থৌরাংশিংদা ফজনা শিজিন্নবা য়াই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মসিদা নত্তনা সোনিয়া গান্ধীনা ফোঙদোক্লকখিবদা গভর্ণমেন্টনা টিভি, প্রিন্ট অমসুং ওনলাইন মেদিয়াদা তৌরিবা এদভর্টিজমেন্টশিং কোভিদ–১৯গী মতাংখক নত্তনা চহী ২ ফাওবগী অথিংবা থন্নবসু হৌদোক্লকখি।

পি এম কেয়ারস ফন্দগী মখাদা লাকপা শেন পূন্নমক অদু শোয়দনমক ইফিসিয়েন্সি, ট্রান্সপরিয়েন্সি, একাউন্টিবিলিটি লৈহন্নবা অমসুং ওদিট তৌহন্নবগীদমক প্রাইম মিনষ্টর’স নেসনেল রিলিফ ফন্দদা ট্রান্সফর তৌনবসু কোংগ্রেস লুচিংবী অসিনা রিকোমেন্দ তৌরি।

প্রাইম মিনিষ্টরগী রিলিফ ফন্দদা লুপা ক্রোর ৩,৮০০ শিজিন্নদনা তাদুনা লৈরি হায়বা খুদোম্বী থিল্লদুনা ফন্দশিং য়েন্থোক্লবগীদমক তোঙান তোঙানবা সিলো অনি থম্বা অমসুং শেম্বা হায়বসি হোৎনবগী কান্নবা লৈতবা অমসুং রিছোর্সশিং মাঙহন্নবনি হায়না মহাক্না হায়খি।

# য়ু পিদা লোকদাউন চৎন্নহল্লিবা পুলিস টিমদা খূৎ থাবা ৪২ ফারে

*বারৈলি, এপ্রিল, ০৭(এজেন্সি)ঃ*
উত্তর প্রদেশকী ঈজৎনগর এরিয়াদা লোকদাউন চৎনহন্নবা হোৎনরিবা পুলিস টিম অমদা খূৎ থাই হায়বগীদমক মীওই ১৫০গী মথক্তা এফ আই আর অমা রেজিষ্টার তৌখ্রে হায়না ঙসি পুলিস টিম অমনা ফোঙদোকখ্রে। মসিগা মরী লৈননা মীওই ৪২ ফারে, ফারবশিং অসিগী মনুংদা নুপী ৩দি বেলদা তাদোকখ্রে।

পুলিসমেনশিংদা খূৎ থাবগীদমক অমসুং পুলিস আউটপোষ্ট মৈ থানবা হোৎনবগীদমক ইন্দিয়ান পেনাল কোদ (আই পি সি)গী মরি লৈনবা সেকসনশিংগী মখাদা মীওই ১৫০গী মথক্তা নিংথৌকাবগী নুমিদাংদা এফ আই আর অমা রেজিষ্টার তৌখ্রে হায়না সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস, সিটি রবিন্দ্র কুমারনা হায়খি।

পুলিস ফোর্সকা লোয়ননা আই পি এস ওফিসার অভিসেক বরমানা মফম অদুদা থুংলখিবদা মীওইশিং অদু মখোয়দা এটেক তৌরকখি। তঙাই ফদনা সেক্যুরিটি পার্সোন্নেলনা লিচৈনা কন্দুনা তাম্থোকখি।

থৌদোক অদুদা বারৈলিদা সার্কল ওফিসার –৩ পোষ্টিং লৈবা আই পি এস ওফিসার বরমা শোকখি হায়রি।

# য়ু পি হোস্পিটালদগী কোরোনাভাইরস অনাবা চেনখ্রে

*লক্নৌ, এপ্রিল, ০৭(এজেন্সি)ঃ*
দিল্লিদা মরকাজ নিজামউদ্দিনদা লাইনিংগী মীফম য়াওখিবা টাব্লিঘি জামাতকী মেম্বর, মশাগী চহী ৬০ শুরবা কোরোনাভাসরস অনাবা অমা ঙরাং নুমিদাং উত্তর প্রদেশতা গভর্ণমেন্ট হোস্পিটাল অমদগী নাম্থোক্তুনা চেনখ্রে।

মীওই অদুনা আইসোলেসন ৱার্দ অদুদগী থোংনাও মিংশেন থুগাইখি অমসুং মহাক মশাগী ফিরোল অদুনা থৌরি ওইনা শেমদুনা ফ্লোর অদুদগী কুমথরকখি অমসুং চেনখিবনি।

দিল্লি টাব্লিঘি জামাত মীফম য়াওখিবা নেপালদগী মীওই ১৭কী খূৎপু অমগী মনুংদা য়াওরকখিবা মহাক নোংচুপ থংবা উত্তর প্রদেশকী বাঘপততা ইরাই নুমিৎতা কম্যুনিটি হোস্পিটাল অদুদা মিং চনখিবনি।

মহাক অমসুং খূৎপু অদুগী অতৈ মীওইশিং অদু দিল্লিগা য়ান্না নক্লবা বাঘপততা পুলিসনা থিরকপদা অহানবা ফংখিবনি। মীওই অদু হোস্পিটাল অদুদগী কিলোমিটর ৩ লোম লাপ্পা মফম অমদগী ফংখ্রে অমসুং মফম অদুদা অমুক হন্না পুরকখ্রে। মহাক য়ান্না লিচৎ–শাজৎ ফজবা অনাবা অমনি হায়না ডোক্টরশিংনা ফোঙদোকই।

# মেহবুবা মুফতি য়ুমদা চৎহনখ্রে, অদুবু দিটেন্সন মখা চত্থরি



*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল, ০৭(এজেন্সি)ঃ*
জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর মেহবুবা মুফতি মহাক্কী ময়ুমদা চৎহনখ্রে। মহাকপু ময়ুমদা মখা তানা দিটেন্সন তৌখিগনি হায়না এদমিনিষ্ট্রেসনন্না ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

মখোয়গী ওর্দর অদুদা এদমিনিষ্ট্রেসনন্না মাগী গুপকর রেসিদেন্স অদুবু সবসিদিয়ারি জেল অমা ওইনা ওস্থোকখ্রে।

সেন্টরনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী স্পিসিয়েল ষ্টেটস পীবা কনষ্টিট্যুনগী আর্ট্রিকল ৩৭০ মুত্থৎখিবা অমসুং ষ্টেট অদুবু য়ুনিয়ন টেরিটোরি অনী থোক্না খায়দোকখিবা হৌখিবা চহীগী আগষ্টতা অতৈ পোলিটিকেল লুচিংবা কয়ামুক্কা লোয়ননা মেহবুবা মুফতিবু ফাজিন্দুনা থমখিবনি।

সেন্টরনা মদুবু মখোয়গী খোঙথাং অদুগী মায়োক্তা ওইথোক্লিঙাই লৈরিবা ঈরাংগীদমক মাঙজৌননা থেংননবা থৌরাং অমনি হায়খি।

ত্বিটরদা মহাক্কী য়ুমদা হল্লকপা অদু লাওথোক্লদুনা মেহবুবা মুফতিগী মচানুপী অমসুং মাগী ত্বিটর একাউন্ট ওপরেট তৌরিবী ইলটিজাৎ মুফতিনা ওগষ্ট ৫দগী আইনা য়াদবা মওংদা ফাখিবা কাশ্মিরি পূন্নমক থাদোকফম থোকই হায়খি।

গ্লোবেল পান্দেমিক অমগী মতম অসিদ ফাওবা মখা তানা মখোয়বু ফাজিন্দুনা থম্বা অসিনা ঐখোয়গী দেমোক্রেটিককী মমলশিং অদু মাঙহল্লগনি।

অদুবু মখোয়গী শৌগৎপীরকপা অমসুং নুংঙাইবা ফোঙদোকপীরকখিবা পূন্নমক ঐহাক্না থাগৎচৈ হায়খি ।

হৌখিবা থাদা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী চীফ মিনিষ্টর ২ –ওমর অবদুল্লা অমসুং মহাক্কী মপা চহী ৭৪ শুরবা ফরুক অবদুল্লা দিটেন্সনদগী থাদোকখি। অদুবু মেহবুবা মুফতিবু থাদোক্লবগীদমক দিমান্দ কায়া তৌরবা ফাওবসু মহাকপু অদুমক ফাদুনা থমখিবনি।

মেহবুবা মুফতি থাদোক্লবা দিমান্দ তৌখিবশিং অদুগী মনুংদা য়াওরিবা ওমর অবদুল্লানা ঙসি ত্বিট তৌখিঃ মেহবুবা মুফতি শোয়দনমক থাদোক্কদবনি। মাগী ময়ুমদা হোংদোক্লগা মাবু মখা তানা ফাদুনা থম্বা অদু লাং অমনি হায়খি।

কোভিদ–১৯ শন্দোকপগী মতাংদা নুংনাংবশিং হেনগৎলক্লি। মসিগী ফিভম অসিদা গভর্ণমেন্টনা মহাকপুসু মহাক্কী ইমুং–মনুংগা লৈমিন্নগদবনি হায়বগী ৱাখল অমা লৈ অমসুং মদুগী মরমদগী মাবু ময়ুমদা চৎনবগী ৱারেপ লৌখিবনি হায়না দিল্লিদা সেনিয়ার ব্যুরোক্রেট অমনা হায়খি।

হৌজিক ফাওবদা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা কোভিদ–১৯না ১০৯ নাখ্রে মদুগী মনুংদা মীওই ২ শিখ্রে। লায়না অসিদগী মীওই ৪দি ফখ্রে।

ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকপদা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর মেহবুবা মুফতিবু থাদোক্লবগী ৱারেপ অসি পোলিটিকেল লুচিংবশিং থাদোক্লবগীগা মরী লৈননা সেন্টরনা চৎনরিবা পোলিসি অদুগী পরিংদনি হায়খি।

মসিসু সেন্টরগী ৱারেপ অদু ওইগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোক্লদুনা মহাকপু থাদোকপা অসি তাঙ্কক নাইবা মওং অমদা চত্থগনি হায়না মখা তাখি।

হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ৩ ফরুক অবদুল্লা, ওমর অবদুল্লা অমসুং মেহবুবা মুফতি য়াওনা অতৈ লুচিংবা কয়ামরুম থাদোকখ্রবগী মতুংদা হৌজিকসু জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা পোলিটিকেল লুচিংবা ৪ দিটেন্সন তৌদুনা থল্লি।

দিটেন্সন তৌদুনা থল্লিবা পোলিটিকেল লুচিংবা ৪ অদুদি – আলি মেহদ শাগর, নায়ীম অখতর, শাহ ফৈজাল অমসুং হিলাল লোনেনি।

# বোরিস জোন্সন নারবদি কনাগী খূৎতা য়ু কে ন্যুক্লিয়ার বটুন? মত ফোঙদোকউ য়াদে



*লন্দন, এপ্রিল, ০৭(এজেন্সি)ঃ*
বৃটিস প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সন কোভিদ–১৯ কমপ্লিকেসনশিংগীদমক ইন্টেন্সিব কিয়ারদা লায়েংদুনা লৈখিবা তারবদি য়ুনাইটেদ কিংদমগী ন্যুক্লিয়ার কোদসকীদমক থৌদাং লৌগদৌরিবা অদু কনানা হায়বদু বৃটিস গভর্ণমেন্টনা ঙসি মত ফোঙদোকউ য়াখিদ্রে।

খ্বাইদগী নৌবদা নোংমদা শিবা মীওই ৪৩৯ ওইবগা লোয়ননা নিংথৌকাবা নুমিৎতা উৎখিবা ওফিসিয়েল ওইবা কোভিদ–১৯ নাবদগী শিবগী মশীং অসি বৃটেনদা পুন্না মীওই ৫,০০০ হেনখ্রে।

কোরোনাভাইরস পোজিটিব ওইরবা য়ুনাইটেদ কিংদমদা হোস্পিটেলাইজ তৌখ্রবশিং অদুগী মনুংদা এপ্রিল ৫গী নুংথিল পুং ৫ ফাওবগী ওইনা মীওই ৫৩৭৩ শিখ্রে হায়না ত্বিট অমদা হেল্‌ঠ মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর জোন্সননা লায়েংলিঙৈদা ফোরেন সেক্রেটরি দোমিনিক রাবতা ন্যুক্লিয়ার কোদসশিং অদু খূৎশিন্নখ্রৱা হায়না বি বি সিনা হংবদা কেবিনেট ওফিস মিনিষ্টর মাইকেল গোভেনা হায়খিঃ হিরম অসিগী মতাংদা ফজনা শেন্লবা প্রোটোকোলশিং লৈ।

নেসনেল সেক্যুরিটিগী হিরমশিং অসিগী মতাংদা তশেংনমক ঐহাক ঙাংবা ঙম্লোই হায়না মাইকেল গোভেনা হায়খি।

ওফিসিয়েল ওইনা মালেমগী ন্যুক্লিয়ার খূৎলাই পায়বা লৈবাক ৫গী মনুংদা য়ুনাইটেদ কিংদমসু অমনি অমসুং ন্যুক্লিয়ার বোমশিং হাঞ্জিল্লবা ট্রাইদেন্ট –২ দি ৫ বাল্লিষ্টিক মিসাইলশিং য়াওবা ন্যুক্লিয়ার সবমেরিন ৪ লৈ।

য়ুনাইটেদ কিংদমগী ন্যুক্লিয়ার বোম ২১৫ লোমগী ন্যুক্লিয়ারগী পুক্কে অমা লৈ। অদুবু ওপরেসনগী ওইনা ন্যুক্লিয়ার ৱারহেদ ১২০ রোম লৈ।

সুপ্নগী বৃটিস প্রাইম মিনিষ্টর খক্তনা ন্যুক্লিয়ার এটেক অমা তৌনবগী ওথোরাইজ তৌবা ঙম্মি। অসিগুম্বা ওর্দর অসি অখন্নবা কোদশিংগী সেট অমগা লোয়ননা বৃটেনগী ন্যুক্লিয়ার সবমেরিনশিংগী অদুগী মনুংদগী অমদা থাখিগদবনি।

# দোনাল্ড ট্রম্পনা মেনুফেকচরিং জোইন্ট অহুমগা থা খুদিংগী ওইনা মাস্ক মিল্লিয়ন ৫৫.৫ পুথোক্লবা য়ানখ্রে



*ৱাসিংটন, এপ্রিল, ০৭(এজেন্সি)ঃ*
ফোরেন দিষ্ট্রিব্যুসনগী মতাংদা য়েৎনবা অমগী মতুং কোরোনাভাইরস পান্দেমিক থেংননবা ফেসমাস্ক মিল্লিয়ন কয়া পীনবা য়ু এস মেনুফেকচরিং জাইন্ট ৩ এমগা তৌনবা দিল অমা নিংথৌকাবা নুমিৎতা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা লাওথোকখ্রে।

য়ু এসতা পুং ২৪গী মনুংদা কোরোনাভাইরসতগী মীওই ১,১৫০ য়ৌনা শিখিবগী রেকোর্দ লৈখ্রে। জোন্স হোপকিন্স য়ুনিভর্সিটিগী মতুং ইন্না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা কোরোনাভাইরসনা নাবা অনৌবা ৩,৬৬,০০০ হেন্না লৈরে। মসিগী মনুংদা পুং ২৪গী মনুংদা অনৌবা ৩০,০০০ হেন্না য়াওরি। মসিগা লোয়ননা লাইচৎ অসিদগী লৈবাক অসিদা পুন্না শিবা মীগী মশীং ১০,৭৮৩ শুরে হায়খি।

থা খুদিংগী অহেনবা হায় ক্বালিটি ফেসমাস্ক মিল্লিয়ন ৫৫.৫ পীনবগীদমক ঐখোয়না য়ান্না নুংশিনবা এগ্রীমেন্ট অমা তৌনরে হায়না ট্রম্পনা হায়খি।

ঐখোয়না ঐখোয়গী ফ্রন্টলাইন হেল্‌ঠকিয়ার ৱার্করশিংগীদমক মথং থা খরগী মনুংদা মাস্ক মিল্লিয়ন ১৬৬.৫ ফংলগনি, মরম অদুনা ৩ এমগী ৱারী য়ান্না নুংঙাইনা লোয়শিল্লগনি হায়খি।

হৌখিবা থাদা প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা য়ু এস কম্পেনি অদুবু মখোয়গী দিষ্ট্রিব্যুসন লোয়নমক য়ুমদা পুরকহন্দবগীদমক চৈখি অমসুং কম্পেনি অদুগী মথক্তা কোরিয়া লান মতমগী দিফেন্স প্রদক্সন এক্ট অদু পানখি।

ক্লিনিক খরনা ৩ এমবু অতৈ লৈবাকশিংদা এন ৯৫ রেস্পিরেটর মাস্কশিং মখা তানা য়োনবা মরম্না পেট্রিওটিক ওইদবা লিচৎকীদমক মরান শীখি। ঐখোয়গী লৈবাক অসিগী মফম পূন্নমক্তা আমেরিকান শিংদা য়াম্নমক মথৌ তারিবা রেস্পিরেটরশিং অদু পীনবা চপমান্নবা পান্দমশিং অদু ঐখোয় লৈ হায়না ৩ এম চিয়ারমেন মাইক রোমানা হায়খি।

অশেংবা ফিভম অদু হায়রদুনা রেস্পিরেটরশিংগী দিমান্দ সপ্লাই তৌবগী ৱাংমদা লৈখ্রে। মরম অদুনা ঐখোয়গী কেপাসিটি হেন্না পাকথোক চাওথোকহন্নবা ঐখোয়না পুং ২৪ থবক শুরি হায়খি।

পোৎলুমগী নম্বো হেন্না পুরবা য়ু এস হেল্‌ঠ ফেসিলিটিশিংনা প্রোটেক্টিব ইক্যুপমেন্টকী পুক্কেশিং অরুবা থাক্তা নেমথরক্লে অমসুং নুমিৎ খরনিগী মনুংদা লোইখিরবা য়াই হায়না ৱার্নিং তৌখ্রে।

হৌজিক্কী ৱাথোক মতম অসিদা মেদিকেলগী পোৎলমশিং ঙমখৈ লাম্থোক–লান্সিন তৌবা হন্থহনবা অসি অরানবা অমা ওইগনি হায়রদুনা কানাদাগী প্রাইম মিনিষ্টর জষ্টিন ট্রুদ্যুনা ৩ এমগী মথক্তা ট্রম্পনা পীথরিবা শাফু অদুগী মায়োক্তা লৈখি। অদুবু কম্পেনি অদুনা কানাদা অমসুং লেটিন অমেরিকাদা মখোয়না মখা তানা মাস্কশিং য়োনখিগনি হায়খি।

# কোভিদ–১৯গীদমক ইরাননা কৈদৌঙৈদা য়ু এসতা হায়জরোই



*দুবাই, এপ্রিল, ০৭(এজেন্সি)ঃ*
অনৌবা কোরোনাভাইরস অসিগী মায়োক্তা থেংনবদা মতেং পাংহন্নবগীদমক ইরাননা কৈদৌঙৈদা য়ু এসতা হায়জরোই হায়না ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোই অববাস মৌশাবিনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা হায়খ্রে।

কোরোনাভাইরসনা হৌজিক ফাওবদা থীনা শোকহল্লবা অমসুং মীওই ৫৮,২২৬ নারবা অমসুং মীওই ৩,৬০৩ শিরবা মিদ্দল ইষ্টর্ন লৈবাক ওইরিবা ইরানদা মীওইবগী তেংবাংনবগীদমক ৱাসিংটনদগী তেংবাংগী হায়রকপশিং ইরানগী সুপ্রিম লিদর অয়াতোল্লাহ আলি খামেনৈনা ককথৎখ্রে।

লাইচৎ অসিগী মায়োক্তা থেংনবদা টেহরানবু তেংবাংনবা অমেরিকাদা ইরাননা কৈদৌঙৈদা হায়জখিদ্রি অমসুং কৈদৌঙৈদা হায়জরোই। অদুবু ইরানগী মথক্তা আইগী ৱাংমদা মখোয়না থল্লিবা নাকন নামতগী সেঙ্কসনশিং লোয়নমক অমেরিকানা লৌথোকখিগদবনি হায়না টেলিভিজনদা শন্দোকপা পাউগী মীফম অমদা মৌশাবিনা হায়খি।

ইরানগী ন্যুক্লিয়ার প্রোগ্রামশিং লাক্সিন্নবগীদমক লাক্সিনবা অদুগী মহুৎ ওইনা ইরানদা থম্বা সেঙ্কসনশিং লৌথোকখিবা ২০১৫গী এগ্রীমেন্ট অমদগী য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা তোকখিবা ২০১৮গী মতুংদগী লৈবাক অনী অসিগী মরক্তা ৱাংনা উংখৎনদুনা লাকখি।

ৱাসিংটননা ইরানগী ইকোনোমি খুউ কুলহনবা সেঙ্কসনশিং অমুক হন্না থমজিনখি। লাইচৎ অসি লাক্সিন্নবা মখোয়গী হোৎনবশিংবু য়ু এস সেঙ্কসনশিংনা খুরৌ থাংহল্লে হায়না ইরানগী ওথোরিটিজনা হায়রদুনা সেঙ্কসনশিং অদু লৌথোকখিনবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা তক্সিন্নবা অতৈ লৈবাকশিংদা অমসুং য়ুনইটেদ নেসন্সনা আপিল তৌখ্রে।

# পি এম ইমরান খাননা কেবিনেট নৌনা শেমদোকখ্রে



*ইস্লামাবাদ, এপ্রিল, ০৭(এজেন্সি)ঃ*
পাকিস্তানদা হৌখিবা চহীগী চিনি অমসুং গেহুগী ৱাথোকশিংগা মরী লৈনবা স্কাম অমদা পাকিস্তান প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানগী পার্টি টেহরীক–ই–ইনশাফ (পি টি আই)গী মরুওইবা মেম্বরশিং চেন্নরগ্লে হায়না ফেদরেল ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সিনা ফোঙদোকখিবা মতুং ইমরান খাননা ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিৎতা মহাক্কী কেবিনেট অমুক নৌনা শেমদোকখ্রে।

ফেদরেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি টিম অমনা চিনিগী ৱাথোক অদুগী অমসুং ইন্দষ্ট্রিগী অচৌবশিংনা ফংখিবা সবসিদিশিংগী বিনিফিসরিশিংগী রিপোর্ট থাদোক্লকখ্রবগী নুমিৎ নীনিগী মতুংদা কেবিনেট শেমদোক–শেমজিন তৌবদু চত্থরকখিবনি।

চিনি ৱাথোককী মতাংদা রিপোর্ট অদুনা প্রাইম মিনিষ্টরগী মথংদা পার্টিগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না শক্তি লৈবা অনী শুবা অদুনি হায়নরিবা পি টি আইগী লুচিংবা জহাঙ্গির তারীন অমসুং নসনেল ফুদ সেক্যুরিটিগী ফেদরেল মিনিষ্টর অমা ওইরিবা খুশ্রো বখতিয়ারগী মমিংশিং বিনিফিসরিজশিং ওইনা পল্লকখি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা বখতিয়ারগী মহুৎতা নেসনেল ফুদ সেক্যুরিটিগী ফেদরেল মিনিষ্টর ওইনা শায়েদ ফখার ইমাম হাপখ্রে।

অদুবু বখতিয়ারবু হমাত অঝারগী মহুৎ শিন্দুনা ইকোনোমিক এফিয়ারস মিনিষ্ট্রিগী থবক পীখ্রে।

সুগর এদভাইজরি বোর্দকী চিয়ারমেন অমসুং ইনভেষ্টমেন্ট প্রদক্সন, ইন্দষ্ট্রি, টেক্সটাইলস অমসুং কম্মর্সকী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টরগী এদভাইজর অবদুল রজাক দাৱুদ মাগী ফম অনীমকসিদগী লৌথোকখ্রে।

হাসিম পোপালজাইগী মহুৎতা নেসনেল ফুদ সেক্যুরিটি অমসুং রিছার্স মিনিষ্ট্রিগী সেক্রেটরি ওইনা ওমর হামিদ হাপখ্রে।

মরকসিদা প্রাইম মিনিষ্টরনা মাগী কেবিনেটতা অতৈ খরসু হোংদোক–হোংজিন তৌখি। ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিগী ফেদরেল মিনিষ্টর ওইবদগী খালিদ মকবুল সিদ্দিকুই ফম থাদোক্লগে হায়বদু য়ারদুনা ইমরান খাননা মাগী মহুৎতা আমিনুর হক হাপখ্রে।

সিদ্দিকুই অমসুং হক পি টি আইগী কোলিসনগী খোঙবু ওইরিবা মুত্তাহীদা কুৱামি মুভমেন্ট পাকিস্টান (এম কিয়ু মে গী মেম্বরশিংনি।

হান্না পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ারসকী মিনিষ্টর ওইরম্বা অজাম শ্বাটিবু নার্কোটিক্স কন্ট্রোলগী ফেদরেল মিনিষ্টর ওইহনখ্রে। অমরোমদা বাবর অৱানবু পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ার মিনিষ্ট্রিগীদমক এদভাইজর হাপখ্রে।

# লাক্ষ ৬০গী নর্স ৱাৎলিঃ দব্লিয়ু ঐচ ও

*জিনেভা, এপ্রিল, ০৭(এজেন্সি)ঃ*
কোভিদ–১৯গী পাউনা মালেমগী পাউগী মকোকশিং ওইরকখিবগা ৱার্ল্ড হেল্‌ঠ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)না হৌজিক মালেম অসিনা নর্স লাক্ষ ৬০ রোমগী মথৌ তারি হায়না ঙসি লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ৱার্নিং তৌখ্রে।

য়ুনাইটেদ নেসন্সকী হেল্‌ঠ এজেন্সি অসিনা পার্টিনরশিং ওইরিবা নর্সিং নাও অমসুং ইন্টরনেসনেল কাউন্সিল ওফ নর্সেস (আই সি এন)গা লোয়ননা মালেম পূন্নমক্কী ওইনা হেল্‌ঠ ৱার্কর পূন্নমক্কী তঙ্খায় হেল্লিবা নর্সশিংনা লৌরিবা মরু ওইরবা থৌদাং অদু রিপোর্ট অমদা ফোঙলি।

# SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-430**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | | 6 | | | 4 | | | 2 |
| | 4 | | 1 | | 3 | 9 | | |
| | 8 | | | 2 | 6 | 1 | | |
| | 2 | | 9 | | | 6 | 4 | |
| 3 | 9 | 4 | | | | | | 1 |
| | 6 | | | 1 | | | | 9 |
| | 5 | | | 4 | | | 2 | |
| 2 | 3 | | | | | | 1 | |
| | 1 | 8 | 2 | | | | | |

**সনা–সুদোকু – ৪২৯ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | 7 | 8 | 1 | 3 | 2 | 5 | 6 | 4 |
| 4 | 5 | 2 | 6 | 9 | 8 | 7 | 3 | 1 |
| 3 | 6 | 1 | 4 | 5 | 7 | 9 | 8 | 2 |
| 8 | 2 | 6 | 9 | 7 | 1 | 4 | 5 | 3 |
| 1 | 4 | 3 | 8 | 6 | 5 | 2 | 9 | 7 |
| 7 | 9 | 5 | 3 | 2 | 4 | 8 | 1 | 6 |
| 5 | 1 | 9 | 2 | 4 | 3 | 6 | 7 | 8 |
| 6 | 8 | 4 | 7 | 1 | 9 | 3 | 2 | 5 |
| 2 | 3 | 7 | 5 | 8 | 6 | 1 | 4 | 9 |